**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 28-08-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চত্থবদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৭ খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে।

২) ত্রিপুরাদা ঈশিং ঈচাউগা মরী লৈননা লৈখিদবা মীগী মশিং ৩১ শুরে মীওই লিশিং ৭২ হেন্না রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরি।

অমসুং

৩) বি.জে.পিনা নোংচুপ বেঙ্গলদা ঙসি পং ১২ গী বন্দ কৌরিবা অদু য়েংলগা সরকারগী কর্ম্মাচারিশিং ওফিস কারকবা খঙহন্খ্রে।

------

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিসনা ঙরাং ককচিং জিলাগী এলাংখাংপোকপীদগী কে.সি.পি (তাইবংঙানবা)গী মীওই অমা ফারে। মহাক ককচিং, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং থৌবালগী মফম কয়াদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকনি হায়রি।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং-হৈরোক ক্রোসিংদগী কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অনি ফাখি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, মেগজিন য়াওবা এস.এম.জি করবাইন অমা, মোবাইল ফোন অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু মঙা অমসুং শঙ্গাইয়ুম্ফমদগী চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফাগৎপা ঙমলে

হায়রি। মসিগী মখা তারকপদা মণিপুর পুলিসনা বিষ্ণুপুর জিলাগী লাঙ্গোলজম কাংজৈবুং, কামোং, লৈমারাম, ইরেংবম অমসুং হৈনৌবোক্তা থি হুন্বগী থবক চখুবদা কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই মরি ফারে। কামোংদা লৈবা য়ুম অমদা থি হুন্বগী থবক চখুবদা চাকা মরি পানবা গাড়ি ৬, কম্বেট ড্রেস অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থি হুন্বগী থবক চখুবদা থৌবাল জিলাগী শঙ্গাইয়ুম্ফমদগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৬ অমসুং তোকিং ৮ ফাগৎপা ঙমখি।

কেম্প (এল)ঃ পৌরাবী লমজিং নুপী মরুপ অমসুং মোধু অমদি সনাহনবী মেমোরিয়েল ত্রষ্টকা আইরিল আই কেয়ারগা খুৎশমদুনা নোংমগী ওইবা লেমা মাৎ লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং পৌরাবী পুথিবা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ত্রিপুরা ঃ ত্রিপুরাদা থা অসিগী ১৯ দগী লেপ্তুনা নোং চুবদগী রাজ্য অদুগী মফম কয়া হৌজিকসু ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। ঈচাউ অসিগা মরী লৈননা মীওই ৩১ লৈখিদ্রে। মীওই লিশিং ৭২ হেনবনা শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখ্রে হায়না ষ্টেট রিলিফ, রিহেবিলিতেসন এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট বিভাগকী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা রিলিফ কেম্প ৪৯২ হাংদোক্তুনা ঈচাউগী অৱাবা তারবা মীওইশিং চংজফম পীরি। গোমাতি অমসুং সেফাহিজালা জিলাদা ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী টিম ৬ অমসুং নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী ৫ না তেংবাং পীবগী থবক চখুরি। মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ মনিক সাহানা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং ঈচাউ অসিগী মতাংদা মীফম পাঙথোকখ্রে। ষ্টেট রিলিফ, রিহেবিলিতেসন এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট বিভাগনা জিলা ৮ দা লুপা কোতি ৬৯ অমদি লৌউ শিংউ অমসুং পৱার

বিভাগতনা লুপা কোতি ৫-৫ পীথখ্রে হায়রি। গোমাতি তুরেলগী ঈমাউ হৌজিকসু খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লি হায়রি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মধ্য প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি মোহন যাদবনা ত্রিপুরাদা লুপা কোতি ২০ গী তেংবাং পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

বন্দ ঃ বি.জে.পিনা নোংচুপ বেঙ্গলদা ঙসি অয়ুক পুং ৬ তগী হৌরগা পুং ১২ গী বন্দ কৌখ্রে। ঙরাং ষ্টেট সেক্রেটরিয়েট তমা চৎলিবা মীয়ামদা পুলিসনা চথখিবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা বন্দ অসি কৌবনি হায়রি। বেঙ্গল বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট সুকন্টা মজমদারনা মীয়ামা বন্দ অসি শৌগৎপীনবা আপীল তৌরি। মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথখিবা খোঙজংদা পুলিসশিংগা খোঙজং চংশিল্লিবশিংগা ইরাং থোকপগী পাউ ফংই। খোঙজং চংশিল্লিবশিংনা মুখ্য মন্ত্রি মমাতা বেনর্জি ফম থাদোকবা অমদি আর.জি.কর মেদিকেল কলেজ অমসুং হোস্পিতালগী ডোক্তর নুপী অমা হাৎপদা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা দাবী তৌরি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রিগী এদভাইজর অলাপান বেনর্জিনা হায়- বি.জে.পিনা কৌরিবা বন্দ অসি রাজ্য সরকারনা শৌগৎলোই। মহাকা হায়- সরকারনা হয়েং রাজ্য শিনবা থুংবদা মহৌশাগুম থবক চথনবা হোৎনগনি। সরকারগী কর্ম্মচারিশিং মতম চানা ওফিস কারক্কদবনি। বন্দ মনুংদা অশোই অঙাম থোক্তনবা সরকারনা লৌখৎপা য়াবা থবক লৌখৎলে।

মরক অসিদা, নোংচুপ বেঙ্গলদা খোঙজং চংশিল্লিবা মীওইশিংদা পুলিসনা চথখিবা থৌওং অদুবু বি.জে.পি প্রসিদেন্ট জে.পি নদ্দানা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

রাজ্য সভা ঃ রাজ্য সভাগী মরক্কী মীখলদা বি.জে.পিগী মীরেপ ৯, এন.দি.এ এল্লায়েন্সকী মীরেপ অনি অমসুং কংগ্রেসকী অভিসেক মানু সিংভি লম্বা য়াওদনা কারে।

লম্বা য়াওদনা কারবা বি.জে.পিগী মীরেপশিংগী মনুংদা- অসামদগী মিসন রঞ্জন দাস অমসুং হান্নগী মন্ত্রি রামেশ্বর তেল্লিনি। বিহারদগী মানন কুমার মিশ্রা, হরিয়ানাদগী কিরন চৌধরি, মধ্য প্রদেশতগী জোর্জ কুরিয়ন, ত্রিপ্রাদগী রাজিভ ভত্তচার্জিনচিংবা য়াওরি। কংগ্রেসকী অভিসেক মানু সিংভি তেলঙ্গনাদগী লম্বা য়াওদনা কারে। এন.সি.পিগী অজিৎ পৱার ফেক্সনগী নিতিন পাতিল মহারাষ্ট্রদগী কারে।

ৱাকফ বোর্দ ঃ ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৪ গা মরী লৈননা লোক সভা সদস্য জগদম্বীকা পালনা চেয়ারমেন ওইবা জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কমিতিনা বিল অসিগীদমক মীয়াম, এন.জি.ও, অখঙ অহৈশিং, ষ্টেগ হোল্ডরশিং অমসুং সংস্থানশিংগী মোৎ পীরকবা আপীল তৌরি।

লোক সভা সেক্রেটরিয়েটনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- কনাগুম্বনা অইবা ওইনা মখোয়গী মোৎ পীনিংলবদি ইংলিস নত্রগা হিন্দিদা কোপী অনি অনি জোইন্ট সেক্রেটরি লোক সভা সেক্রেটরিয়েট রুম নম্বর ৪৪০ পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা পীরকপা য়াগনি। চেরোল অদুনা হায়- মীয়ামা পীরকপা মখোয়গী মোৎশিং কমিতিগী রেকোর্দকী শরুক অমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা মসিবু কনফিদেন্সিয়েল ওইনা থমগনি। হৌখিবা লোক সভাগী বজেৎ মীফমদা- দ ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) বিল পুথোকখিবনি অমদি মসিবু সংসদকী জোইন্ট কমিতিদা মখা তানা য়েংশিন্নবা থাদখিবনি। বিল অসিগী রিপোর্ট চৎলিবা চহি অসিগী সংসদকী নিংথিম মীফমগী অহানবা চয়োল ফাওবদা পীখৎলক্কদবনি হায়রি।

দুরান্দ কপ ঃ ১৩৩ শুবা দুরান্দ কপকী ফাইনেলদা মোহন বগান সুপর জাইন্টসকা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইতেদ এফ.সিগা শান্নরগনি। ফাইনেল থা অসিগী ৩১ দা কোলকাতাগী সোল্টলেক ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। ঙরাং বিবেকানন্দ য়ুবা ভারতি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনিসুবা সেমি ফাইনেলদা মোহন বগান্না বেঙ্গলুরু এফ.সিবু

পেনালতিদা পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখিবনি। অহানবা সেমি ফাইনেলদনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইতেদনা শিল্লোং লাজোংবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখিবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কুকি নেসনেল ওর্গনাইজেসন (কে.এন.ও)গী লুচিংবা সৈলেন হাওকিপনা সুগী গ্রাউন্দ রুলগী মতাংদা ফোংদোকখিবা ৱাফম, মুখ্য মন্ত্রিনা রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী মতাংদা রাজ্যপালগা উন্নদুনা পাউদমখিবা অমদি মণিপুরগী পেত্রোল পম্পশিংদা থাউ পীদুনা মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনরিবশিং অসিগী পাউনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

কে.এন.ওগী লুচিংবা সৈলেন হাওকিপনা ঙরাং গ্রাউন্দ রুলগী মতাংদা ফোংদোকখিবা পাউ অসি পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং পাউচেশিংগী অহানবা লমায়গী অহানবা পাউ ওইরি। পাউ অসি পোকফম পাউচেদা- সেন্তরনা গ্রাউন্দ রুল থুগাই হায়রকপা লৈত্রি, তাল্লিবা দিমান্দ অসিসু কন্সটিট্যুসনগী মখাদনি: সৈলেন হাওকিপ হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোটোগা কোন্ননা ফোংলি। মসিগা লোয়ননা ষ্টেট গভর্নমেন্ট মথন্তনা সু ৱিথদ্রো তৌরিবা অসিমক গ্রাউন্দ রুল থুগাইবনি হায়না সৈলেন হাওকিপনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউ অসিদা য়াওরি।

নহারোলগী থৌদাং পাউচেদনা- সুগী গ্রাউন্দ রুল থুগাইরে হায়বা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা খঙহল্লকপা লৈতে: রিপোর্ট হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মুখ্য মন্ত্রিনা রাজ্যপালগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবগী পাউ অসি মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইদুনা ফোংলি। পাউ অসিদা রাজ্যপালনা মুখ্য মন্ত্রিদা মীয়াম্বু তেক্ত কায়দনা অমদি অকি অখঙ লৈহন্দনবা পাউতাক পীখ্রে হায়না হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা চীফ মিনিষ্টর এন. বিরেন্না অহানবা ওইনা লক্সম অচারিয়াগা উন্নখ্রে হায়না অহানবা

হেদলাইন তৌরি।

রাজ্য সরকারনা পেট্রোল পম্পশিংদা থাউশিং পীবগী পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, পোকফম, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসন অমদি মণিপুর মেলনচিংবা পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা পাউ অসি- পম্পশিংদা পেট্রোল পীবদগী থোমজিন্নখি, রিটেল আউটলেটশিংগী মীফমনা খন্নখ্রে: থাউ লৈরবদি পম্প পুমমক্তা পীনবা তকশিল্লি হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

অথৌবা হাইপৌ জাদোনাংগী লৈখিদবগী নিংশিং কুমওন নুমিৎ ওগষ্ট ২৯ গা মরী লৈননা আইনা থিংখ্রবা কোরকোম (কোওর্দিনেসন কম্মিতি)না থাদোরকপা চেরোলগী পাউ পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা পাউ অসি- জাদোনাংগী খোঙথাং তুংইন্ননা চৎননবা কোরকোমনা আপীল তৌরি হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

অতোপ্পা ঙসি পাউচেশিংদা ফোংনরিবা পাউশিংগী মনুংদা সনালৈবাক পাউচেদা- এন.আই.টি কেম্পস থা কয়া ঈশিং থুমজিনদুনা লৈবদগী মহৈরোইশিং নিংথিনা মহৈ তম্বা ফংদ্রে। পোকফমদা মণিপুরদা দেঙ্গিগী কেস ১৮২ য়ৌরে: মেলেরিয়া ওফিসার। হুইয়েন লানপাউদা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম তপা তপা ফগৎলে হায়রিঙৈদা এম.এল.এগী হাউস গার্দতগী নোংমৈ অহুম লাকখ্রে। মণিপুর নিউজদা বরাক তুরেলগী ইচিলদা তিপাইমুখ দাম শাবগী ব্রাফম ইন্দিয়া অমসুং বঙ্গলাদেশকী মরক্তা চাউনা মুকরকপা য়াবগী ফিভম লৈরে হায়বা পাউশিং অসিনা ওইরি।

তমেংলোং জিলাদা ফোংবা গানফিউ মেলদা- ডাঃ অচিংলিউ কামৈগী সোংস ওফ রেংদাইলিউ, এ বুক ওফ পোইম হায়বা লাইরিক অসিগী শৈরেংশিং য়ুনিভর্সিতি ওফ নোর্থ কেরোলিনাগী ইন্তর দিসিপ্লিনারি কোর্সতা য়াওবা ঙমখিবা, রোংমৈ গোস্পেল ম্যুজিক এসোসিয়েসন হৌদোকখিবগী পাউশিং মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। অদুগা তমেংলোং টাইমসতা এম.পি. কংগনা রানাউটকী

ইম্মরজেন্সি হায়বা ফিলমগী ট্রেলরগা মরী লৈননা কিহল্লকপগী পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- নাগাগী অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------